HUEIYEN LANPAO
Monday, October 10, 2016, Imphal


# চীংমী-তম্মীগী চৎনবী, য়ূম্বানলোন অমদি হৌরকফমগী ৱারী লীরিবা 'মীতৈ লৈকোল'





*"কায়থরক্লবা খুন্নাইসিগী চৎনবী, থকসি-খাসি, য়ূম্বানলোন, লাইনীং লাইশোল পূম্নমক ঙসিগী নহারোলশিং, মহৈরোয়শিংদা মমুৎ তানা খঙহনবগী তঙাইফদবা লাক্লে। পূম্নমকসি খঙলবা মতুংদা ইশানা ইশাবু কনানো খঙলক্কনি লোয়ননা মতমদুদা চাওখৎপা খুন্নাই অমা শোয়দনা পুরকপা ঙমগনি। পাক চাওখ্রবা খুন্নাই অমা শোয়দনা পুরকপা ঙমগনি। পাক চাওখ্রবা হীরমসি খরদা ওইরবসু কঞ্জবা ঙম্নবা মীতৈ লৈকোল শেমগৎপনি হায়না চোংথাম খেলচন্দ্র মীতৈনা পাউচেসিদা ফোঙদোরক্লি"*

## খুঙ্গংগী খোল্লাউ ঃ

### ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম

*মীওইবনা* পুন্সি শাংনা হিংলিবসি পূক্লিং ৱাখল নুংঙাইরবা মতমদতা ওইথোকই। হকচাং নাদা য়েক্তনা হিংবা হায়বসি অকোয়বগী ফীভম ঈংনা চিক্লা লৈরবা মতমদসু ফংবা ঙম্মী। অদুবু মণিপুরগী ঙসি ওইরিবা ফীভমসিদা কনানা পুন্সি শাংনা হিংগনি হায়না চাউথোক্লা হায়বা ঙমগনি। তংদু লৈতাদ্রবা খুন্নাই, মীহাৎ মীপুনতনা থল্লবা অচুম্বগী লম্বী ৱাৎলক্লবসু হিংদবা য়াদবা মীওইবনিনা হিংননবগীদমক পান্বে কয়া থিরকই। পান্বেশিং অদুগী মরক্তা হৈকোল লৈকোল শেমগৎপা হায়বসিসু অমা ওইরি। মণিপুরদা হৈকোল লৈকোল শেম্বসিসু মশানা মশাবু থবক পীজবা কান্নরবা থবক অমা ওইরক্লি।

মণিপুরগী হৈকোল লৈকোলশিংগী মরক্তা মাকোই নুংওন চীং লাংজিংগী অসিসু তোঙানবা মথেল অমা ওইরি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তাকয়েল খোঙবাল মনিং লৈকায় নৎত্রগা মকোই নুংওল চীং লাংজিংগী মনুং চনবদা 'মীতৈ লৈকোল' লৈ। ইম্ফালদগী নোংচুপলোমদা কিলোমিটর ৫ রোম চৎলগা লৈবা লৈকোল অসি মণিপুরদা লৈরিবা লৈকোলশিংদগী তোঙানবা মওং অমনি।

লৈকোল অসি শগোলবন্দ তাকয়েল কোলোম লৈকায়দগী চোংথাম খেলচন্দ্র অপোকপা তিকেন্দ্রজিৎ অমদি মখুরা চোংথাম কুঞ্জকিশোর অনীনা কুমজা ২০১৩ গী ওক্টোবর ৭ তগী শেমগৎপা হৌরকখিবনি। কুমজা ১৯৯৮ তা গ্রেজুয়েসন লোইশিল্লবা মতুংদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী থবক থিদুনা লৈগদৌবগী শরুক ঙাইহাক পোথানবা মফম লৈত্রবা, মীহাৎ মীপুনগী ঈরাংতনা থল্লবা লমদমসিদা ঈংনা চিক্লা পোথাফম অমা শেমগৎকে হায়বা ৱাখলদা মীতৈ লৈকোলগী মঙ মঙলকখি। মঙ অদুমক মঙফাওননবা মকোই নুংওল চীংগী মনিংদা লৈবা অপোকপা মখুরা অমদি মনেগী পরি অনী চাওবা লৌফম অসিদা লৈকোল শেমগৎনবা অয়াবা লৌখি। অয়াবা অদুমক হরাউনা পীরকপা মীকুপ্তগী লৈকোলসি শেমগৎখি। ঙসিসু অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং মতম চুপ্পা লৈকোলসিদা মহাক্কী হকচাং, ৱাখল অমদি থৱায় লেংদনা লৈরি হায়না ফোঙদোরকই।

'মীতৈ লৈকোল' গী তোঙানবা মশক অমা পনবা তারবদি লৈকোল অসিদা য়েংবা চঙলকপা মীওই অমদা মশানা মশাবু ৱাহং হংনবা অমদি পাউখুম পীনবা হোৎনবনা ওইরি। লৌ পরি ২ রোম চাওবা লৈকোল অসিগী হেক চঙলকপগী মিৎয়েংফমদা পীকতক তৌবা ইকোন ১১ থল্লী। ইকোন ১১ দুদি শলাইরেন শিদবা, ইমা লৈমরেল শিদবী, লাইনিংথৌ সনামহী, ইবুধৌ পাখঙবা অমদি লৈমা তরেৎকী য়াতাফম থল্লি। কংলৈপাক্কী সলাই তরেৎকী মশক তাকপা অমদি মঙাংপুঙ, লুৱাংপুঙ অমসুং খুমনপুঙ অহুমগী ইরাৎ তৌফম পুঙ ৩ সু থল্লি।

অনীশুবদা হোংলক্লিবা মালেমগী অওনবা মরকসিদা কংলৈ খুন্নাইগী চৎনবী, কলচর অমদি ট্রেদিসন, হেরিটেজ, লৈশেমলোন, পুন্সিরোল অমদি ইশাগী শক্তমগী মশক উৎনবা হোৎনরি। অহুমশুবা ৱাখল্লোলদা ঙসিগী থবক শুবগী হৈনবী মাঙশিল্লক্লবা লাইরিক হৈরবা নহারোলশিংদা পাউজেল অমা পীনবা শেম্মী মীমাবা (মতম অমদা চলাম্বা হায়না খঙনরম্বা) না ইমা ইমোইনু পোদুনা চৎপগী মীতম অমসু থল্লি। মরিশুবদা লুৱাং নহা য়ংশাতানবা অমদি য়ংশাতানবী অনীগী ইতিনবুং থেল থমদুনা পুৱারীগী ৱারী লিশাং লীহন্নবা কন্না হোৎনরি।

ইশম শম্না চাদা ৫০ রোমতা শেমজিন শাজিনবা লোইরিবা মীতৈ লৈকোলনা লমদমসিদা পোকপা মীওই খুদিংমক মশাগী মনাৎ, হৌরকলোন, লাইনীং লাইশোন, লোল-ময়েক, পুৱারীগা থাদোক্লবা য়াদ্রবা ৱাখুল, চীংমী তম্মীগী অচেৎপা মরী লৈরকপা ফুরুপ অমনি হায়বদু পীকখ্রবা লৈকোলসিনা তাক্লবা হোৎনরি । লৈকোল অসিনা হৌরক্লিবা নহারোলশিং, হৌখ্রবা অহলশিং অমদি মপান্দগী লাকপা মীয়ামদা মোরেল এদ্যুকেসন, ইন্টরটেনমেন্ট অমদি ৱারসিপ অহুম্মক খঙহন্নবা মফম লৈকোলসিদা পীরি।

লৈকোল অসি শেমগৎলকপগী মতাংদা চোংথাম খেলচন্দ্রনা হায়, মখুরা কুঞ্জকিশোর অসি সেন্ট্রেল বোর্দ ফোর ৱার্কর এদ্যুকেসন মণিপুরগী হান্নগী রিজনেল দাইরেক্টর ওইরম্মী। লৈকোলসিদা মহাক্কী শেল অমদি ৱাখলগী চাউরবা তেংবাঙ য়াওরি। খেলচন্দ্রগী য়ূমগী লৈজবা ইঙ্খোল মতেক খরা য়োম্থোকপা অমদি খঙনা চান্নবশিংদগী লৈকোল অসিগী য়াল্লবা শেনফমশিং পুরগা শীজিন্নরি। লমদমসিগী পুৱারীগী লিখুল খঙবা অহল-লমনশিংদগী পাউতাক লৌদুনা লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংগী মশক উৎনবা থৌরাং তৌরি।

লৈকোলসি শেমগৎপা হৌদ্রিঙৈদা কনাগুম্বা মীওই অমতা তান্নদনা শেম্বা হৌজিনখি। শেম্বা হৌরবা মতুংদা অখঙ-অহৈশিংগা কোন্না তান্নবনি। মসিগী মরমদা হান্না হৌদোক্লুরবদি ফৈগা ফৎতেগা হায়দুনা শাংথরনি খনবদগী থবক হৌজিনবনি। থবক হৌজিনবগী মহয়না ঙসিদি শেম শাবা লোইদ্রবসু মীয়ামদা য়েংহনবা হৌরে। ফেজ ৬ থোক্লা শেমগৎনবা পান্দমদা কুমজা ২০১৩ গী ওক্টোবর ১৫ দা হৌদোকখ্রবা মতুংদা কুমজা ২০১৬ কী জানুৱারী ১০ দা লমদমসিগী ইনিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা অথোইবা মীথুং ওইদুনা মীয়ামদা খূৎশিন্নখি। নুমিৎতুদা ইমা ইবেম্মা ইমোইনু অমদি শেনবী মীমবাগী মীতমসু মাইখুম হাংদোকখিবনি হায়না ফোঙদোরকই।

লৈকোল অসিগী মতাংদা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়, মালেমগী চাওখৎপগী লমজেলদা ইরৈচাশিংনা য়াওবা মাল্লগা লৈখা তাদনা তাউরগা চৎলিবশিংগী পন্থুংফম খঙলোই। শুবা নোম্বদা মতৌ তম্বগী মহুৎতা চাওখৎলবা লৈবাকশিংনা পুথোকপা অরং-অরাক্কী পোৎলমশিং, গাড়ী, মোবাইল অমদি ফিরোলদা খূৎচাও থাবনা করিসু কান্নরোই। মপান্থোংগী শক্তমখক মীতৌ তম্লগা নুংগী পুন্সি মরেলগী ৱারীদি তমদবা হায়বসি মনীং হোরবা তেঙ্গোলগা পাঙ্খকনি। ইপা-ইপু মশক খঙবা, ইশাবু ইশানা কনানো খঙনা থবক তৌরবদি চাওখৎপা লমদম অমগী লম্বীদা লাকপা ঙমগনি নৎত্রবদি মনীং হনবা খুন্নাই ওইরক্কনি।

লমদমসিগী চরাংনবা ফীভমসিদা ঙসি শিগদ্রা, হয়েং শিগদ্রা করি ওইগনি খঙবা ঙমদ্রবা পুন্সি মহিং অমদা হিংলি। বন্দ, ব্লোকেদ, ফাজিন পুনশিনবা, কাপশিনবা, পোকখায়বা মরক্তা হৈকোল লৈকোলনা পূক্লিং ইংহনবা ঙম্মী। মণিপুরদসু টুরিজমগী ঈহৌ লাক্লে। মীকুপ খরা পোথানবা মফম পীরকপা লৈকোল কয়াগী মরক্তা ***'মীতৈ লৈকোল'*** না পুৱারীগী ৱারী লীবা, য়ূম্বানলোনগী মশক তাকপা অমদি চীংমী তম্মীগী অপূনবগী শক্তম ঙাকপসিমক ঐখোয় পূম্নমক্কী লননি হায়না থাগৎলক্লি।

মীতৈ লৈকোল শেমগৎপগী শিন্মীদি চোংথাম খেলচন্দ্র অমদি মাগী ইমুংগী মচে-মচল অমদি মশেন নুপাশিংগা লোয়ননা থবক শুমিন্নরি। মরক মরক্তা লৈকায়গী মচে মচলশিং খূৎশুমল খরা পীরগা তেংবাঙহনবা য়াওই। এদভাইজরি বোর্দ, দিসাইনিং কম্মিটি অমদি কন্সত্রক্সন কম্মিটি হায়না কাঙলুপ অহুম থোক্লা শেমদুনা লমদমসিগী মীয়ামগা চান্নবা লৈকোল অমা পুরক্লবা হোৎনরি।

লৈকোলসিগী আর্ট দিজাইন্না থৌনাওজম রোবিন্দ্রো, লেনস্কেপ দিজাইন্না অরাম্বম লুৱাংচানা ওইদুনা হেন্না মশক থোক্লবা হোৎনরি। তোঙান তোঙানবা মীওই কয়ানা তেংবাঙ পীদুনা ঙসিগী ফীভমসিদা য়ৌরকপনি, পূম্নমকপু খেলচন্দ্রনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

চোংথাম খেলচন্দ্র মীতৈ কুমজা ১৯৭৭ গী ফেব্রুৱারী ১ দা চোংথাম তিকেন্দ্রজিৎ অমদি অশংবী লৈমগী মচানুপী ৫, মচানুপা ৩ পূন্না ৮ গী মনুংদা মহাক্না মরিশুবনি। মহাক মীতৈ লৈকোলবু লৈবাকসিগী মনুংদা খ্বাইদগী মশক থোকপা লৈকোল অমা ওইনা শেমগৎনবা থৌরাং তৌরিবা মীশকনি।

# ষন্থি-ষণয়ুংনা পীরিবা কান্নবশিং

**ডা: সরাংথেম জেস্মারাণী**

**মমাঙঙৈ** মতমদদি য়ূম খুদিংগী ষণ লোইদুনা ষন্থি-ষণয়ুংশিং অসি পোৎ চৈ থারিবা মফমশিংদা হৈদোক্তুনা নৎত্রগা চাক-ঈশিং থোংবদা শীজিন্নদুনা লেম্না অমত্তা মাঙহন্দে। মসিদসু নত্তনা ঐনা তাজবদা থায়নদি লুহোংবা মতমদা ষণবু অঙনপোৎ ওইনা উনবগী চৎনবী লৈরম্মী হায়। ষন্থি-ষণয়ুংশিংসি হার ওইনা শীজিন্নবগী মথক্তা চাক-ঈশিং থোংনবা ফাওবা শীজিন্নরম্মী। রিপোর্টকী মতুং ইন্না ষন্থি-ষণয়ুংসি অহুম থোকপগী অনীদি মৈগী মহুৎ শিন্দুনা চাক-ঈশিং থোংবা অদুগা অহুম থোকপগী অমনা হার ওইনা শীজিন্নে। হৌজিক্কী মতমদদি ওর্গানিক ফার্মিং লোমদা মায় ওনশিন্নবনিনা ষন্থি-ষণয়ুংশিংসি চঙদবা য়াদ্রবা অমা ওইরি। মসিদসু নত্তনা ওর্গানিক্কী ওইনা শা-ষণ লোইবসিসু য়াম্না মরু ওইরি। শা-ষণশিং ওর্গানিক ওইনা লোইবা তারগদি মখোয়দা পীজগদৌরিবা শজিক অমদি মফোনগী শরুক খুদিংমক ওর্গানিক ওইবা তাবনি। মসি পুথোক্লবা হোৎনবদা ওর্গানিক্কী হার অমদি ওর্গানিক পেষ্টিসাইদ শীজিন্নবা তাবনি। পোৎ চৈ থাবা মতমদা নাইত্রোজেন ফোসফরস অমদি পোটাসিয়মগী চাং অমদা থম্বা হায়বসি অরায়বদি নত্তে। মরম অসিনা শা-ষণগী অরেম-অপা ময়ামশিং অসি শীজিন্নদুনা পথহন্দুনা নৎত্রগা তিন্থ্রোক য়োক্তুনা অফবা মখলগী হার পুথোক্তুনা হায়রিবা এন পি কেগী চাংসি মান্ননা থম্বা য়াই।

*টেবল ১- চাংচৎতা নোংমদা পুথোকপা শা অমগী মথি-ময়ুংশিং*

| শা মখল | মথিগী চাং | (কেজি) |
|---|---|---|
| শগোল | ৯-১৮ | ১৩.৫০ |
| ইরোই | ১৮-৩০ | ২৪ |
| হামেং অমদি য়াও | ১০-১৫ | ১২.৫ |
| ওক | ৩-৫ | ৪.০০ |
| য়েন (১০০) | ১-৫ | ৩.৫ |

হান্নদি শা-ষণগী অরেম অপাশিংগী পোৎ চৈ থাবা মফমদা হাপচিন্দুনা লৈপাক লৈহাও ফগৎহল্লি। হায়রিবা শা-ষণগী অরেম অপাশিংসি অনৌবা মওংদা হায়বদি বাইও গ্যাস, কম্পোস, তিন্থ্রোক্কী হার অমদি বাইও ফর্টিলাইজর কয়া পুথোকপা ঙমহল্লি।




**তিন্থ্রোক কম্পোষ্ট ঃ**

ইচম চম্না শা-ষণগী অরেম অপাশিংসি কম্পোস শেল্লগদি থা ৬ মুক চঙই অদুবু তিন্থ্রোক হাপ্লগা শেল্লগদি নুমিৎ ৬০-৭৫ ফাওবা হন্থহনবা য়াই। মসিদা ট্রেঞ্চ শেল্লগা তিন্থ্রোক কেজি অমদা ষন্থি কুইন্টল ১০ হাপ্লগা শেম্বা য়াই। তিন্থ্রোক্তগী শেম্বা হারনা ফার্ম য়ার্ড মেন্যুরদগী এন পি কে য়াওবগী চাং শরুক ৩-৪ ফাওবা হেল্লি।

**বাইও ফর্টিলাইজর ঃ**

তিন্থ্রোক্কী হারদা এজোল্লা অমদি নাইত্রোজেন ফোসফরস ফবা ঙম্বা বেক্টিরিয়া হাপ্তুনা বাইও ফর্টিলাইজর শেম্বা য়াই।

**বাইও দাইনামিক মেন্যুর ঃ**

হায়রিবা টেক্নোলোজি অসি চপ চাবা প্রমান পুথোল্লগদি ফোঙদোক্ত্রি অদুবু অয়াম্বনদি শীজিন্নরি। মসিদা খুদক্তা ফাইরকপা ষন্থিদু ষণগী তেক্লবা মচিগী অহোবা মনুংদা হাপচিনবীরগা থা ৬ মুক ষন্থি পৈফমদা পৈদুনা থম্মী। মসিদগী থোরকপা হারসিনা লৌ একর অমদা গ্রাম ৩৫ ঈশিং লিটর ১০ দা থিৎপীরগা চাইবীরগদি মাইক্রোব ময়াম অমা পুথোক্তুনা মফমদুদা লৈরম্বা হুচেনবা তীল ময়াম অমা হাৎপা ঙমহল্লি।

ষন্থি-ষণয়ুং শীজিন্নদুনা ফার্ম য়ার্ড মেন্যুর পুথোক্লিবসিদা নাইত্রোজেন, ফোসফরস অমদি পোটাসকী চাংসি ০.৫%, ০.৬%, ০.১০% নি অদুবু তিন্থ্রোক য়াওরগা শেম্বা হারদদি ১.৫%, ২%, ১% নি। ঐখোয়না ষন্থি-ষণয়ুংশিং অসি নীংথিনা শীজিন্নরগদি ঐখোয়না ক্বালিটি লৈবা হার শেম্বা ঙমগনি। ষন্থিনা পীরিবসি মখল কয়াগী মাইক্রো ন্যুত্রিন্ট ময়াম অমা য়াওবগী মথক্ত হামস, হ্যুমিক এসিদ, অলমিক এসিদ চাং ৱাংনা য়াওহন্দুনা লৈপাক লৈহাও ফহনবদা নত্তনা ঈশিং তুনা লৈবা ঙমহল্লি।

*টেবল -২*

*হার মখলদা য়াওবা এন পি কেগী চাংশিং*

| হার মখল | এন (নাইট্রোজেন) | পি (ফোসফরস) | কে (পোটাসিয়ম) |
|---|---|---|---|
| এফ ৱাই এম | ০.৫ | ০.৫ | ০.২৫ |
| তিন্থ্রোক্কী হার | ২.৫ | ২.০ | ২.০ |
| বাইও ফর্টিলাইজর | ৩.০ | ২.০ | ২.০ |

**ষন্থিগী কান্নবশিং ঃ**

- ষন্থিদা এন্টিসেপটিক্কী মচল য়াওবনা শনগোন্দা ষন্থিগা থিৎলগা চাইথোকপনা লায়না থোকহনবা য়াবা তীলশিং হাৎতোকপা ঙমহল্লি।
- ঊনশাদা মরীক মরীক চোংথোকপা নৎত্রগা অপোম্বা লৈরগদি নীমগী মনাসি ফজনা শুগাইবিরগা ষন্থিগা তোৎনরগা ঊনশাদা তৈবীরগদি য়াম্না থুনা ফৈ।
- ষন্থি অকংবা মৈ থাবিরগদি কাং ইনবা ফৈ।
- ষন্থি মৈ থাখ্রবা মতুং উৎশিংদুসু অমুক কোল-লীক ফেংবা য়াই।
- তীল কাং হাৎনবগীদমক্তা শেম্বা পোৎলমশিংদা ষন্থি মচল অমা ওইনা হাপ্পী।
- থাগদবা মরুশিংদা ষন্থিনা য়োল্লগা থারগদি য়াম্না থুনা হৌবা ঙমহল্লি।
- ষন্থিদা মীনরেল মখল ১৬ য়াওই । মসিদা লৈপাক লৈহাও হেন্না ফগৎহল্লি।
- ষন্থিদা মখল ১৬ কী মাইক্রো ওর্গানিজম য়াওই। মসিনা ফত্তবা বেক্টিরিয়া কয়া হাৎতোকপা ঙমহনবদা নত্তনা লৈপাক লৈহাও ফনা থম্বা ঙম্মী।
- পোৎ থাদ্রিঙৈদা লৈপাক্তা ষন্থিনা য়োমদুনা থম্লগদি শাথিবা লায়না থোকহনবা পেষ্টতগী কনবা ঙম্মী।

**ষণয়ুংগী কান্নবশিং ঃ**

ষণয়ুংশিংসি ফজনা শেংদোক্লবা পাত্র অমদা হাপ্পীরগদি হীদাক শেম্বদসু শীজিন্নরি। ষণয়ুংদা য়াওরিবা মীনরেল মখলশিংসিনা মীওইবদা শা-ঙাশিং অমদি পাম্বীশিংদা কান্নবা কয়া পীরি। নোংমদা ষণ অমনা লিটর ৬-২৫ ফাওবগী ষণয়ুং পুথোকই। করিগুম্বা তীল কাংনা চীকপা তারগসু ষণয়ুং তৈবীরগদি নাবগী চাং য়াম্না হন্থে। মসিদসু নত্তনা ষণয়ুংশিং অসি তীল-কাং হাৎনবদসু শীজিন্নবা য়াই।

মসিদা ষণয়ুং লিটর ১৫ অমদি নীম মনা কেজি ১ লৌবিরগা নুংশিৎ চঙহন্দনা পাত্র অমদা নুমিৎ ১৫ নি থম্বীগনি। মসিগী মতুংদা চনম গ্রাম ১৫ হাপ্পীরগা তঙ্খায় ফাওবা হন্থহন্নবা মৈদা লোম্থোকপীগনি। হায়রিবা মহীসিগী লিটর অমদা ঈশিং লিটর ১০০ হাপ্পীরগা মহী লাংহল্লবা তুংদা তীল কাং হাৎনবা হীদাক ওইনা শীজিন্নবা য়ারে।

মমাঙঙৈগুম্না হৌজিক ঐখোয়সু ষণ লোইবগী চৎনবী অসি মাঙহন্দনা থম্বা দরকার লৈরে। ষণ লোইদুনা ষন্থি-ষণয়ুংগী কান্নবা কয়া অসি লৌদুনা অমদি ওগ্রানিক ফার্মিং লোমদা মায় ওনশিনবা দরকার য়াম্না লৈ।

# এদিটরদা থারকপা চিঠি/ৱাকৎ/মীয়ামগী খোল্লাউ/পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ ....

## ত্রিনামুলগী এম এল এ মরিগী ফিরেপ থাগৎনীঙাইনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**মমাঙঙৈদগী** হৌনা এম এল এশিংনা পার্টি অমদগী অমদা চোঙবা হায়বসি অদুম তৌদুনা লাকই। তৌবতবু চোঙলক্লিবসি মশাগী ইন্টরেষ্টকীদমক নৎত্রগা লৈপাক্কী ইশ্যু অমগী ওইবরা হায়বদু য়েংফম থোকই। কেন্দ্রদা অওনবা লৈঙাক অমা লাকপা মতমদা মণিপুরদসু চোঙশিনবা হানবা তান্নে। হৌজিকসু মণিপুরদা বি জে পিদা ভোট লেপনিংবা ফনা য়াম্না লৈরে। সিজন পোলিটিসিয়নশিং ফাওবা রিজনেলিজমগী ৱাখলদা লুপ্তুনা মশাগী দলদগী মীয়াম্না শুকহোং হোংলরোই খন্নরম্বা কয়াসু ইথা থাজদনা ভোট কাহৌদ্রবা তুংদা পার্টি হোংখিবা লৈখ্রে। অহলশিং অসি কেন্দ্র লৈঙাকপু চৈদুনতা লৈরম্বনি। আই এল পিগী অকনবা ঈহৌদা সেন্টরবু কন্না চৈরম্বা, মমিং লৈরবা এম এল এ কয়ারক হন্না ওইরল্লবসু থাঙ্গোল লংথোক্তুনা থম্বাল পায়খ্রে। মশাগী কেন্দ্র শেমগৎ-শাগৎপা ঙম্লরোই অমদি নরেন্দ্র মোদিগী লুচিং মখাদা লৈঙাক অসিবু থাজবা থমদুনা য়াওবনি হেক্তা হায়। অদুবু গুজরাট মচা ইন্দিয়াগীসু ইকায় খুম্নরিবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা মহাক্কী ষ্টেটতা এম এল এগী মখাদা লৈবা কাউন্সিল্লরশিং, জিলা পরিষদনচিংবা মীখলদা তোরা তুখিবগী মরম্না করিনা ওইবা তাই। পার্টি চোঙবা তারবদি নহা ওইরিঙৈদা চোঙহৌবনা খরা লেম্বা হেল্লি। ঐগী মততদি ডা. চন্দ্রমনিনা চৎপমখৈ চৎলুরগা মশাগী হৌরকফম দলদা হল্লক্তুনা এদভাইজর ওইদুনা লৈরে তাবদা য়াম্না নুংশিবা পোকচৈ। থাঙ্গোল, সাইকল হুন্দোক্লম্লগা গেরুৱা মচুগী টুপী উপ্লগা মাইক্রোফোন পায়বসিদি শান্তিদাস গোসাইগী অবতার ওইনা মণিপুরদা অমুক লাক্লবোই হেক্তা খল্লি। অদুবু আই এল পিগী ইশ্যু, সেন্টরগা আই এমগগী ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট, বোর্দরগী ইশ্যুদগী কোংগ্রেসনা করপসন তৌরে হায়দুনা চৈবনা মরু ওইবা থৌদাং ওইরি।

থাঙ্গৈশেংনা হায়জনীংবদি করপসন হায়বসি মীখলদা মায় পাকখ্রবা অমদি মায়থীহৌরবা কাঙবু অনীমক্লা ভোটরশিংদা তম্বীবনি । মরমদি ভোট কাননবা হোৎনবদা অরৈবা পান্বে থাদদুনা হোৎনরি। হন্দক্তা ওজা চীংলেন মাইস্নাম্না ইখিবা মতাং অমদা ক্রোর অনী থাদবগা মঙা থাদবগা ভোটকী লান্দা মঙা থাদবনা মায় পাকই। জর্নেলিষ্ট সনাতোন্না ইখি 'থাংমৈবন্দ অমদি থোংজুগী বাই ইলেক্সন ফজবা মীখল নত্তে'। য়াম্নমক চুমই। মশাগী ইনকম য়াম্না নেম্বা ইমুং মনুংদা মীরেপশিংনা মতেং পাঙজগে হায়দুনা য়ারিবমখৈ হায়জদুনা খুরুম্মী। শেল য়াম্না তিংবা, য়াম্না হায়জবা চঙই। লৈপাক্কী ৱাফম থোইনা ভোটরশিংনা খন্দে। মসিগা চপ মান্ননা লৈঙাক্কী থবক অমা ফংগে হায়রবদি মমাঙঙৈ অমদি হৌজিক্কী ওইনা অচৌ অশাংদা, মন্ত্রিদা শেল য়াম্না পীবা ঙম্বা লোয়ননা য়াম্না হায়জবা মীনা লৈঙাক্কী থবক ফংনরি। লৈঙাক্লা থবক য়েল্লি, মীচম মীয়াম্না লৈরি। অচৌ অশাং ফনা খঙনরবসু শেল পীদ্রবদি থবক লৈতে। ঙাইখোমথংদা নহাক্কী য়েংগে, অসিনি। মরাইবক ফবা অমা অনীকাদি য়াওদবা নত্তে। অসুম্না শেল য়াম্না পায়দবা ভোট লেপ্পা মীনা মীচম মীয়ামদা ফনা হায়জরবসু ভোট ফংলোই, শেলদি লৈদি লৈতনা করিগী ভোট লেপ্পিংলিবনো হায়নরি। মাদি মবুক ফখ্রে, হেক্তা হায়রুবদা মতেং পাঙজগে হেক্তা হায়। হৌজিক ভোট লেপ্পদা জে সি বি লৈত্রবা, লৈরক নূং থাবা ঙমদ্রবা, মরন্নাইগী কোম্থোং ফাওবা নূং থাবিবা ঙমদ্রবা ভোট লেপ্লুবগী ইকান কান্নরোই। মতম খরগী তুংদদি ঠিকাদার ঙাক্তনা এম এল এ ওইরক্কদৌরি। হৌজিক হৌজিক মতম কুইনা শেম্বা ঙমদ্রবা মান্দব শেম্নরে, লৈরক নূং থাবিরে, নহাক্লা তৌবা খুদিংদা মায় পাকপা ওইয়ুনচিংবা পাউচেদা নুমিৎ খুদিংগী থেংনরি। হেন্না ফজবা ভোটতি ইমুং মনুংগী ভার পুদ্রিবা কোলেজগী, য়ুনিভর্সিটিগী মীখলদি জেনরেল ইলেক্সন্দগী হেন্না ফজবা হেল্লি। চহী মঙা মঙাগী মীখল অসিদদি য়ুনিভর্সিটিগী ওজা ৫/১০ দগী জেসা উপাই তৌদুনা য়ুদা ঙাউদুনা লৈবা ১০/২০ না হেন্না মরুওই। মরমদি নম্বর গেমনি। কাখ্রবা মীওইশিংদু মীয়াম্না য়ারবনি হায়রিবনি।

হন্দক্তা বি জে পিগী অমিট শাহ লাক্লম্লে। মণিপুরগী লম ইঞ্চি অমা মাঙহল্লোই। পার্টিগী মীয়াম্না থাগৎলি করিসু চিংননিঙাই লৈত্রে। মণিপুরদবু লাক্লবদি সোনিয়াসু, রাহুলসু অদুমক হায়গনি। মণিপুর ফজখ্রবা লৈপাকনি, করিনো করিনো খরা। ইকায়খুম্নরবা চীফ মিনিষ্টর ইবোবীসু মণিপুরগী লম ইঞ্চি অমা মাঙহল্লোই, মাঙলিবদি ইঞ্চি নত্তে মাইলদনি। সেন্টরগা আই এমগগী ফ্রেম ৱার্ক অসি হন্দক্কী চহী অসিগী খৃষ্টমাস মমাঙদা থবক্তা ওন্থোক্লগনি, খৃষ্টমাস চাউনা নুংঙাইনা পাঙথোক্লকনি হায়দুনা পাউচেদা ফাওবা ফোঙখ্রে। ফ্রেমৱার্ক অসি করিনো হায়বা বি জে পিনা মীয়ামদা খঙহনবা চঙই। থবক্তা ওন্থোকপা মতমদা মণিপুর তম্পাক্কী লাইবক কদোমদা করি ওইগদৌরিবা।

ঙসি ঙরাংতা পার্টি অমদগী অমদা চোঙথোক চোঙশিন তৌনরি। তৌরকখিবসু য়ারি। চোঙথোক্লিবদি টিকেট ফংলরোই খনবদগী ওইরিব্রা? হন্দক ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী এম এল এ মরিগী ফিরেপ অসি হায়নীংঙাই লৈতনা অপেনবা পোকচৈ মরমদি জুন ১৮ দা লৈখিদ্রবা ইচা ইশুশিং মখোয়গী মরাল শুকলৈ লৈতে, লৈপাক্কীদমকনি। তমথিরবা থোকখ্রিবা থৌদোক অদু ঙসিগী সেন্টরগী লৈঙাক অসিনা থোকহনখিবনি। ইকায়খুম্নজরিবা ইন্নরগী এম পি মীরেপ ওইখিবা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী মনাওবীনা মিটিং কয়াদা সেন্টরনা মণিপুরদা য়েংলিবা মিৎয়েংবু মীয়ামদা খঙহনখিবা ঙসিসু নীংশিংলি। অমুকসু সেন্টরগা আই-এমগা অনীগী ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অসি মীচম মীয়ামদা অসুক্কী মতিক লাংতক্নহল্লি অমদি আই এল পিগী ৱাফম।

মতাং চানা ইকায়খুম্নজরিবা মণিপুর ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট অমদি এম এল এ আই ইবোহলবী অনীনা ত্রিনামুলগী মহুৎ শিন্দুনা হায়বিখিবা "ওল ইন্দিয়া ত্রিনামুলগী এম পি মশীং নীফুহুমদোই লৈ, মখোয়দা চৎতুনা কয়ারক হন্না মণিপুরগী তংদু লৈতাদবা প্রোব্লেম কয়া অসি পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎপীয়ু হায়দুনা হায়জরুরে মখোয়দি ওল ইন্দিয়া মমিং পল্লবসু বেঙ্গলখক্তগী ওইনা তৌরে, মণিপুরগী ৱা তাবিদ্রে। অদু ওইরবদি ঐখোয় ত্রিনামুলদা য়াওদুনা লৈবগী করি কান্নবা লৈবগে অমদি তুংগী মণিপুরগীদমক কুপ্না খন্নরবা তুংদা দল অসি থাদোকপনি" হায়না মিদিয়াদা ফোঙদোকখিবদু হায়নীংঙাই লৈতনা নুংঙাইজে। ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টনা থবক ওইনা ওন্থোকপা মতমদা মণিপুরদা খুন্দারিবা কাঙলুপ অমত্তদা শোক্তবা ওইরকসনু।

*অদোমগী - ৱাই তোলেন, থাংমৈবন্দ*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২৬

১। পীরিবা অরিবা মৈতৈলোনগী ৱাহৈশিংসিগী ৱাহন্থোক পীয়ু ঃ-
(ক) য়োইময়াই তাউদনবা (খ) য়ারৌ
২। 'ইমাগী ফনেক মচেৎ' কনানা ইবনো?
৩। 'তেংথাখোল' শৈরেং লাইরিক্কী অইবীদু কনানো?
৪। 'নাপীনা ঈশৈ শক্লি' মৈতৈলোন্দা কনানা হন্দোকপনো?
৫। হাপ্লিবা শক্তম অসি কনাগীনো? ☞



ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৪, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।
ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।